ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মিমসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনল জোন দিমান্দ দে ২০২০গী থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ১

খোয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মপানগী কম্যুনিটি হোলদা টাকদোগী চীফ পেট্রোন, এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা চহী ৭০ হেল্লবা অহলশিংদা শেলগী তেংবাং পীবগী থৌরম হৌদোকখিবা

লামায় ২

বনমহোটসব ২০২০গী শরুক অমা ওইনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংনা শীন্দুনা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখিবা

লামায় ৬

চহীসিগী ঐচ এস এল সী এগজামদা পোজিসন লৌরক্লবা ককচীংগী মহৈরোয়শিংদা ককচীং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেট্রিক বেটচকী মীহুৎশিংনা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.101 নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১৬নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Monday, July 06, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

নুপী অমা ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ললাম্বুং মখোঙ পুখ্রি মপাল নাওসেকপম লৈকাইদা লৈবা লৈকাইগী পুখ্রিদা ঙসি অয়ুক নুপী অমা ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিরে।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং থাংজম ওংবী মেমচা (৬৫) মপুরোইবা ব্রোজেন কৌই। মহাক ললাম্বুং মখোঙ পুখ্রি মপালদা লৈবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না নুমীৎ খূদিংগী ঈরুজবা অমদি ঈশিং শোকপা চৎপগুম ঙসি অয়ুক পুং ৪ রোম তাবদা মেমচা ঈরুজনবা পাত্রা অমা পায়রগা ঈশিং শোকপা চৎখিবদগী য়ূমদা হল্লক্তবনি হায়রি। ইমুংগী মীনা পুখ্রিদা থোক্লক্লগা থিবদা মশা ফংবা ঙমখিদে।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

নুপা অমা গাড়ীনা থোম্বদগী শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তেরা লৌখাম লৈরক এরিয়াদা খোঙনা চৎপা নুপা অমা গাড়ীনা থোম্বদগী শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদ্রে।

লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং তোংব্রম নাওবী (৪২) অপোকপা টি কামেশ্বর কৌই। মহাক তেরা তোংব্রম লৈকাইদা লৈবনি। থৌদোক অদু নাওবীনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪৫ রোম তাবদা তেরা লৌখাম লৈরকমক্তদা লম্বীদা খোঙনা চৎলিঙৈদা গাড়ী অমনা থোম্লল্লগা হন্না য়েংলমদনা থৌখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা চেন্নরিবা গাড়ী অদু ফাগৎনবা কন্না হোৎনরি। লৈখিদ্রবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদুনা ঙসি রিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা পুলিসনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ডা. জে সুরেশ বাবুবু চীফ সেক্রেটরিগী থৌ পুবগী মতম শাংদোকহল্লকপা য়ারি

আই এ এস, এম সী এস ওফিসর খরনদি ডা. সুহেল অখটর, এম ঐচ খান অমসুং ডা. রাজেশ কুমারগী মরক্তা অমনা অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইরকপা য়াই হায়না পানরি

ডা. জে সুরেশ বাবু

ডা. সুহেল অখটর

এম ঐচ খান

ডা. রাজেশ কুমার

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ১দগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকখিবা ডা. জে সুরেশ বাবু লাক্লিবা জুলাই ৩১দা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম য়ৌরবনি। অদুবু লৈঙাক্না ডা. জে সুরেশ বাবুবু চীফ সেক্রেটরিগী থৌ পুবগী মতম থা ৩ নৎত্রগা ৬ শাংদোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, কুমজা ১৯৮৬ বেটচকী মণিপুর-ত্রিপুরা কাদরগী আই এ এস ওফিসর ওইরিবা ডা. জে সুরেশ বাবু কুমজা ১৯৬০গী জুলাই ১৮দা পোকখিবনি। চৎলিবা জুলাই থা অসিদা মশাগী চহী ৬০ শুরদুনা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম য়ৌরক্লবনি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ডা. জে সুরেশ বাবুবু মতম খরা মখা তানা চীফ সেক্রেটরিগী থৌ পুহন্ননবা সেন্টরদগী অয়াবা লৌরবা য়াই হায়রি।

অতোপ্পা পাউগী লীখুন অমনদি ডা. জে সুরেশ বাবু জুলাই ৩১দা থবক্তগী পোত্থাখ্রবদি হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেলসু ওইরিবা আর দি এন্দ পি আরগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ডা. সুহেল অখটর, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং ফিশরিজগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান অমসুং ফাইনান্স প্লান্নিং অমসুং আই টিগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টরগী ও এস দি

...মখা লামায় ৩ কলম ১

এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার য়াওনা ষ্টাফ ৬৫গী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং চৎনহনবীগনু হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটরনা মঙোন্দা পীবা পাৱরগী ৱাংমদা থবক তৌরব্রা?

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরিঙৈদা মহৈশঙ অসিগী কম্যুনিটি অহুম্না মীয়ামগা লোয়ননা মহাক্কী মায়োক্তা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্তুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাওবা ৱাকৎনরকপদগী কোর্টনা ইন্টরভিন তৌদুনা জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর হাপখিবদগী ঈংথরুরবা মতুংদা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা মঙোন্দা পীবা পাৱরগী ৱাংমদা থবক তৌরক্লে হায়বগা লোয়ননা মহাক্না ফম অসি পুরকপদগী এপোইন্টমেন্ট পীখিবা রেজিষ্ট্রার অমসুং তোঙান-তোঙানবা রেঙ্ককী প্রোফেসর অমদি ষ্টাফ ৬৫গী ওর্দরশিং চৎনহনবীগনু হায়দুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলক্লে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল-২২৬কী মখাদা ক্বো-ৱারেন্টো রিট নৎত্রগা অতোপ্পা এপ্রোপ্রিয়েট রিট অমগীদমক ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিনা কোর্টতা ফোঙদোক্লিবনা কোর্টনা এপোইন্ট তৌরকখিবা এদমিনিষ্ট্রেটর (ভাইস চাঞ্চেল্লর ইন-চার্জ)না য়ুনিভর্সিটি অসিগী টিচিং অমসুং নন-টিচিং ফেকল্টিদা হৌজিক ফাওবদা পর্মেনেন্ট বেসিসতা পীখিবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়বসিনি। পিটিস্নরনা হৌজিক মহৈকোল অসিদা চত্থরিবা ইল্লিগেল প্রাক্টিসশিং অমসুং অল্ট্রা-ভাইরেজ এক্টশিং অসিগী মতাংদা মপূং ফানা ইনক্বারিদা নৎতনা রিছর্স তৌরবা মতুংদা পিটিসন অসি ফাইল তৌবনি হায়রি।

পিটিস্নরনা মখা তানা হায়বদা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পব্লিক

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মশানা রিজাইন তৌজরে ফোঙদোকখ্রগা নমদুনা তৌহনবনি হায়রকপসি লাইবক থীবনি : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা সুভাসচন্দ্রনা মশানা বি জে পি পার্টিদগী অমদি এম এল এদগী রিজাইন তৌরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকচখ্রগা নমদুনা তৌহনবনি হায়রকপসি লাইবক থীবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, হৌজিক কোভিদ-১৯গী অৱাবা অমদি দিলিমিটেসনগী অরুবা ইস্যু কয়া লৈরিঙৈ মরক অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা অৱাই-অখুম তৌনবা পামদে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

অনৌবা কেস ৪১ হেনগৎলক্তুনা অপুনবা কেস মশীং ১৩৬৬ শুখ্রে

পোজিটিভ ওইখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওই ১৫০রোম টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কেস ৪১ হেনগৎলক্তুনা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশীং ১৩৬৬ শুখ্রে।

নৌনা কনফর্ম ওইখ্রবা মীওইশিং অদু রিমসকী ভি আর দি এলদা মীওই ২১ অমসুং জেনিমসকী ভি আর দি এলদনা মীওই ২০ থেংনখিবনি। নৌনা মীওই ৪১ কনফর্ম ওইখিবা অদুগী মনুংদা নুপা ৩২ অমদি নুপী ৯নি। পোজিটিভ ওইখ্রবশিং অদু চুরচান্দপুরদগী ১, ইম্ফাল ইষ্ট ১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৬, ককচিং ৪, কামজোং ৬, কাংপোকপি ১৮, নোনে ১, তামেংলোং ২ অমদি উখ্রুলদগী ২নি। মখোয়শিং কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা মখা তানা লায়েংনবা থমখ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমদি স্পোক পর্সন ডা. খোইরোম সশীকুমারনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৭তা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

সী সী সী মৈত্রমদগী ৭, উখ্রুল ২, তামেংলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল ৮ অমসুং কোভিদ ক্যের ফেসিলিটি জেনিমসতগী মীওই ৫ দিসচার্জ

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মীওই ৫৪০ রোম দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্না লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থম্বগা লোয়ননা লম্বীদা চৎপদা মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথুবা মীওই ৫৪০ গাড়ী ২৮৪ য়াওনা দিটেন তৌখ্রে।

লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চথরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়বা মীওইশিং ঙসি পুন্না মীওই ৫৪০ গাড়ী ২৮৪ দিটেন

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ওগষ্ট ১৫দা পুথোক্কদৌরিবা ভেক্সিননা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লোইশিনহনবা ঙম্লগনি : সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্ট্রি

মালেমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবদা লৈরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা শেমগৎপা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অনী - কোভেক্সিন অমসুং জাইকোভ - দিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীবদগী ভেক্সিন অনীমক মীওইবদা চাংয়েং তৌবা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনি তরুকনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মরাং কায়না পুথোক্নবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদসু ভেক্সিন ১১ মীওইবদা চাংয়েং তৌরিবনি।

অমরোমদা, মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবদা লৈরে হায়না রোইটরস-কী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা অহুমশুবা মফম কল্লম্বা রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা কেস মশীং য়াম্বা হেল্লে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরি। ব্রাজিলনা অনীশুবদা লৈরি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কেস ২৪,০০০ হেন্না হেনগৎলকপা মরম্না ইন্দিয়াগী অপূনবা কেস মশীং ৬,৮৭,৭৬০ য়ৌরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশিং ১৯,৫৫৪ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৪,১৬,১৭০নি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অপূনবা কেস মশীং ২৯,৪৭,৪৯৬নি। ব্রাজিলগীনা ১৫,৭৮,৩৭৬নি।

অমরোমদা, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা ন্যু দিল্লিদা হাংদোকখ্রে। ছটরপুর

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ট্রকশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা আই-এমগী কার্দর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭তা চৎলিবা ট্রকশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা এন এস সী এন (আই-এম)গী মীওইনি হায়বা লূপ অসিগী কাদর অমা ৪৪শুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমা রেংপাং এরিয়াদগী ফারে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না ৪৪শুবা অসাম রাইফলসনা ফারবা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর অদুগী মমিং রেংখোরেন চিরু (২৯) অপোকপা দুরদোইসম কৌই। মহাক খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দোলান খুনৌদা লৈবনি। এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর অদু থা অসিগী ৩দা রেংপাং এরিয়াদা লম্বীদা লাকপা ট্রকশিং নমদুনা গাড়ী খাল্লগা শেল লৌরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী এ আরগী কাঙবু অমনা চঙশিন্দুনা থিবা-হুন্বা চখৎবদা আই-এমগী কাদর অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা ১৫,৬০০; ট্রকশিংদা পীবা টোকন চে মরি, ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

HL Poll

Q: Delimitation commission gi thabak-thouramsingda meeoi kanglup khudingmakna mapung fana sougatlakkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Indo-Myanmar Border thinglabasu numit khudinggi naroldaMyanmar romdagi potlam kaya pushillakpa gang khutpu leire khanbra?

Yes 100% No 0%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.১৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৭১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৯.০৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- রাধা, ঐ নঙবু চেনবা ঙম্মরোই, নুপী-অঙাং লৈরবা নুপানি ঐ…!
- ꯔꯥꯙꯥ, ꯑꯩ ꯅꯪꯕꯨ ꯆꯦꯅꯕꯥ ꯉꯝꯃꯔꯣꯏ, ꯅꯨꯄꯤ-ꯑꯉꯥꯡ ꯂꯩꯔꯕꯥ ꯅꯨꯄꯥꯅꯤ ꯑꯩ…!



- ঐসু চেনবা ঙম্মরোই, ঐখোয় নুপানা ফোন তৌরক্লে, তামো…!
- ꯑꯩꯁꯨ ꯆꯦꯅꯕꯥ ꯉꯝꯃꯔꯣꯏ, ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯅꯨꯄꯥꯅꯥ ꯐꯣꯟ ꯇꯧꯔꯛꯂꯦ, ꯇꯥꯃꯣ…!

আই জি পি লেবেল জোনশিংগী জুরিসদিক্সন নৌনা শেমখ্রে

আই পি এস ওফিসর ৭কী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুসিল (আই জি পি) লেবেলগী ওইবা জোনশিংগী জুরিসদিক্সন হান্না লৈরম্বা মওংদগী শেমদোক্লগা নৌনা শেমখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা হোম দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অমনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী আই জি পি লেবেলগী ওইবা জোনশিংগী জুরিসদিক্সনশিং অদু নৌনা শেমখিবনি। নৌনা শেল্লবা জুরিসদিক্সন অসিগী মতুংইন্না আই জি পি লেবেলগী জোন-১না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচীং, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ত কোনগনি। জোন-২না চুড়াচান্দপুর, ফেরজোল, নোনে, বিষ্ণুপুর, নোনে, তমেংলোং অমসুং জিরিবাম অমদি জোন-৩না উখ্রুল, কামজোং, সেনাপটি অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ত কোনগনি হায়না ওর্দর অদুদা পল্লি।

চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা আই পি এস ৭কী ফমসু হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রবা আই পি এস ওফিসরশিং অদুদি, এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) (আর্মদ পুলিস) ওইরম্বা অর্বিন্দ কুমারনা এ দি জি পি (এল ও), এ দি জি পি (এল ও) ওইরম্বা লুফেং কাইলুননা এ দি জি পি (আর্মদ পুলিস), আই জি পি জোন-১ ওইরম্বা ক্লে খোংসাইনা আই জি পি জোন-২, আই জি পি জোন-২ ওইরম্বা লুনসে কিপগেননা জোন-৩, আই জি পি জোন-৩ ওইরম্বা কে জয়ন্তনা আই জি পি জোন-১, ইন্টলিজেন্স, নার্কোটিক্স এন্দ বোর্দর এফেয়র্সকী আই জি পি ওইরম্বগী মথক্তা স্পেসল সেক্রেটরি হোমগী থৌসু পুরম্বা কে রাধাশ্যামনা ইন্টলিজেন্স, নার্কোটিক্স এন্দ বোর্দর এফেয়র্সকী আই জি পি ওইনা অমসুং ঐচ থাংহাওলিয়ন গাংটেনা আই জি পি ট্রেনিং ওইবগী মথক্তা গভর্নরগী স্পেসল সেক্রেটরি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

মহৈ লোয়শঙশিং রি-ওপন তৌনবা লৈঙাক্না হোৎনগদবনি হায়বা য়াওনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস): কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসন জোন দিমান্দ (এম জি ঐচ এস এল দব্লিয়ু এ, সী এ এস এ, এ এম এস জি ও, এ এম সী টি এ, এ এম ঈ এস টি এ, এ এম এস এস টি এ, এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এ, এ টি এস য়ু এম, এ আই এম এস, এ এম জি এ এস ঈ অমদি দেসাম)না ১৩শুবা দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনল জোন দিমান্দ দে ২০২০গা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ এন্দ এদ্যুকেসন, দাইগ্নোসিস এন্দ প্রোগ্নোসিস হায়বা হীরমদা একাদেমীক দিস্কোর্স অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ ৪ লৌখ্রে।

একাদেমীক দিস্কোর্স অদুদা ডা. আর কে নিমাইনা মোদরেটর ওইখি। মিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর সী ঐচ ইবোহল, দি এম সী টি ঈগী এসোসিএট প্রোফেসর কে ঐচ দিনেশ অমদি এ এম আর পি এস দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট দোরেন খাঙানবনা রিছোর্স পর্সন ওইখি।

দিস্কোর্স অদুদা ৱারেপ মরি অদুদি, অহানবদা মহৈ লোয়শঙশিং রি-ওপন তৌনবা লৈঙাক্না হোৎনগদবনি, মসিদা য়ুস্ফম ওইবা ইনষ্টিট্যুসনশিং লিংখৎপীয়ু। অনীশুবদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ অমদি স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্সশিং হাংগদবনি, ইনষ্টিট্যুসনশিং লিংখৎকদবনি। অহুমশুবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মপান্দগী ইরমদমসিদা হল্লকখিবা মহৈরোয়শিং অসি মখা তানা মণিপুরদা মহৈ-মশিন তম্লিংলিবশিং তমহন্নবা থৌরাং শীনগদবনি। মপান লমদা থবক তৌদুনা লৈরম্বা মতিক চাবা মীওইশিং মণিপুরদা থবক তৌবা য়াহন্নবা শীনগদবনি। মরিশুবদা করিক্যুলম, ওবজেক্সন অমদি আউটকম য়েংদুনা মতম চঙহন্দনা পোষ্ট কোভিদ অমদি কোভিদ মনুংগী করিক্যুলম শেমদুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/1-31/7

ꯄꯤ.ꯑꯦꯆ.ꯗꯤ. ꯗꯤꯒ꯭ꯔꯤ ꯃꯥꯏ / Ph.D. DEGREE AWARDED

Mr. Leimapokpam Tikendra Singh has been awarded the **Doctor of Philosophy** by Department of Biotechnology, Manipur University on 27th June, 2020 for his thesis entitled **"DNA Markers based Genetic Variation Study and Micropropagation of certain Endangered Orchids of Manipur"**.

His research work on endangered rare orchids, covering the vast stretch of the state Manipur was carried out under the abled supervision of **Dr. Potshangbam Nongdam Puren Meetei**, Assistant Professor (S-3), Department of Biotechnology, Manipur University.

He has published 10 (ten) research articles and 1 (one) review article in various peer reviewed international journals of repute.

Also, he has presented his research work in many international and national conferences.

He is the eldest son of **Leimapokpam Kunjo Singh** and **Leimapokpam (O) Borni Devi** of Yumnam Khunou Mayai Leikai.

We wish him the very best in all his future endeavours.

HL-C/171/6 ***Friends and Relatives.***

ꯆꯤꯂꯤ ꯂꯣꯟꯆ ꯇꯧꯔꯦ
CHILLI LAUNCHES

~~MRP Rs. 8999/-~~

Discount Rate Rs. 6500/-

"KILLER 100" BLUE RAY MULTIPURPOSE DISINFECTION MACHINE
Warranty 6 Months

- য়ুম, মোল, ওফিস, কারনচিংবা কয়াদা সেনিটাইজ তৌবদা শীজিন্নবা য়াই।
- মিনট অমদা ২২ স্প্রেয়িং কেপাসিটি লৈ।

"FIVE LITRE SANITIZER WORTH RS 2500 FREE" !!!

AUTHORIZED DISTRIBUTOR: RIDHI SIDHI ASSOCIATES,
THANGAL BAZAR,
NEAR AXIS BANK, IMPHAL,MANIPUR,795001 CONTACT:
7892145418, 7005112705

HL-B/6210/1-5

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস কেয়র নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫